# পেপর লিক ওইরম্বগী কেস সী বি আইনা থিজিল্লগনি

সিমলা, দিসেম্বর ০৪ (এজেন্সী) :
হিমাচল প্রদেশকী পুলিস কন্সটেবল লৌনবগীদমক পাঙথোকখিবা রিক্রুটমেন্ট এগজাম দা পেপর লিক ওইরম্বদগী ষ্টেট পুলিসকী স্পেসল ইনভেষ্টিগেসন টিম অমনা থিজিন্দুনা লাকখিবা অদু হৌজিক্তি সী বি আইনা ওইনা থিজিল্লগনি হায়না ওফিসল ওইবা রিপোর্ট অমনা হায়রি।

কন্সটেবল ১,৩৩৪ লৌনবগীদমক এদভরটিসমেন্ট থোকখ্রবা মতুং পুন্না কেন্দিদেট ১,৮৭,৪৭৬ না এপ্লিকেসন থাজিল্লকখি। মদুগী মনুংদা কেন্দিদেট ৭৫,৮০৩ ফিজিকেল ইফিসিএন্সি টেষ্ট অমসুং ফিজিকেল ষ্টেন্দর্দ টেষ্টতা ক্বালিফাইদ ওইখি। হায়রিবা কেন্দিদেটশিং অদুগী মনুংদা পুন্না কেন্দিদেট ২৬,৩৪৬ রিটন এগজামিনেসন পাস তৌবা ঙমখি। রিটন এগজামিনেসন অসি চহী অসিগী মার্চ ২৭ তা ষ্টেট অসিগী দিষ্ট্রিক্ট ১১ দা পাঙথোকখিবনি। অদুম ওইনমক রিটন এগজামিনেসনগী ক্বেসন নমখিবা প্রেস অদুদগী লিক ওইরকখিবনি। থৌদোক অদুগা মরী লৈননা থৌদোক অদুগী মপুগা কোন্ননা তোঙান তোঙানবা মীওই কয়া হৌজিক ফাওবগী ওইনা ফাগৎপা ঙমখ্রে হায়রি।

## ভোটর লিষ্টতা এক্স-এম এল এগী মমিং য়াওরমদ্রে

ন্যু দেল্লি, দিসেম্বর ০৪ (এজেন্সী) :
দেল্লিদা পাঙথোকখিবা ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসন ওফ দেল্লিগী মীখলদা ভোট থাদনবা চৎলুবা দেল্লি কোংগ্রেসকী চীফ অমসুং হান্নগী এম এল এ অনিল চৌধুরিগী মমিং ভোটর লিষ্টতা য়াওরমখিদবগা লোয়ননা ভারতিয়া জনতা পার্টিনা মহাক্কী মমিং অদু ভোটর লিষ্টতগী ককখিবনি হায়না মরাল শীরক্লি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা কোংগ্রেস লুচিংবা অসিনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা হন্দক পাঙথোকখিবা মীখল অসিদা বি জে পি মায়থিবা নঙলগনি খঙবদগী অসিগুম্বা ফজদবা থবক থৌওংশিং অসি চথবা হৌরকখিবনি। মহাক্কী মমিং ভোটর লিষ্টতা য়াওরমদবনা মরম ওইরগা মহাক মশা ভোট থাদবা য়াখিদ্রে। মহাকখক্তা নত্তনা মীওই কয়াগী মমিং ভোটর লিষ্টতা য়াওরমদবগী মতাংদা মঙোনদা লেপ্পা লৈতনা ফোন তৌরক্লি। ইলেক্সন কম্মিসনদা হঙলুবা মতমদা হৌখিবা কুমজা ২০২১ দা ভোটর লিষ্টতগী মহাক্কী অতোপ্পা মফমদা হোঙদোকখ্রে হায়না ফোঙদোরকখিবনি হায়রি।

# লাইনিং লাইশোনগী মতাংদা খঙনিংলবদি বি জে পি অমসুং আর এস এসনা রাহুল গান্ধীগা তান্নগদবনিঃ কমল নাথ

সোয়াটকালান, দিসেম্বর ০৪ (এজেন্সী) :
ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি) অমসুং রাষ্ট্রিয়া স্বয়মসেভক সঙ্ঘ (আর এস এস) না অশেংবা লাইনিং লাইশোনগী মতাংদা মরিক চুম্না খঙনিংলবদি কোংগ্রেসকী লুচিংবা রাহুল গান্ধী উন্নদুনা ৱারী শাবনা হেন্না কান্নবা ফংগনি হায়না মধ্য প্রদেশ ষ্টেট কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট কমলনাথনা ফোঙদোরক্লি।



মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা কোংগ্রেসকী হান্নগী প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধীনা লুচিংদুনা চৎলিবা ভারত জোরো যাত্রাগী খোঙচৎ অসি য়াম্না মরু ওইবা খোঙচৎ অমনি। মহাক্কী খোঙচৎ অসিদা লাইনিং লাইশোন মান্নদবা মীওই কয়ানা শরুক য়ারক্লিবা অসিগী মরুওইবা মরমদি অমত্তা ওইবগী ৱাখল্লোনদা কোংগ্রেস লুচিংবা অসিনা থবক তৌরকপননি। বি জে পি অমসুং আর এস এসনা ইলেক্সনদা মায় পাক্নবা হোৎনবদা লাইনিং লাইশোন মান্নদবা মীওইশিংগী মরক্তা শাউনহনবা য়াবা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্তুনা লাক্লি। অদুবু ঙসি ফাওবদা কোংগ্রেস লুচিংবা রাহুল গান্ধীনা কাঙলুপ মশেন শাউনহল্লকপা য়াবা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোকপা লৈত্রি। মসিনা মরম ওইরগা মীয়াম্না কোংগ্রেস লুচিংবা রাহুল গান্ধীদা থাজবা হেনগৎলকপগা লোয়ননা মহাক্না লুচিংদুনা চৎলিবা খোঙচৎ অসিদা শরুক য়াবগী চাং লেপ্পা লৈতনা হেনগৎলক্লিবনি হায়রি।

মধ্য প্রদেশতা হৌজিক হৌজিক চৎলিবা খোঙচৎ অসিদা শরুক য়ারিবা কোংগ্রেস লুচিংবা রাহুল গান্ধীনা উজেনদা লৈবা মমিং লৈরবা লোর্দ মহাকাল টেম্পলদা চৎতুনা লাইনিং লাইশোনগী থবক পাঙথোকখি। মদুগী মতুং খান্দৱা দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা ওমকারেশ্বর লাইশঙদা চৎতুনসু লাই খুরুমখি। রাহুল গান্ধীদা হিন্দু নত্রগা মুস্লিম নত্রগা খৃষ্টান হায়না খাইদোক্তুনা থবক তৌবগী ৱাফম লৈতে। লাইনিং লাইশোন খুদিংমকপু রাহুল গান্ধীনা চপ মান্নবা মিৎয়েংদা য়েংলি। অদুবু বি জে পিগী ওইনদি লাইনিং খুদিংমক চপ মান্ননা য়েংবা ঙমদ্রি। মসিনা মরম ওইরগা হৌজিক হৌজিক লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর অমসুং য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অনীনা গুজরাটতা চীফ মিনিষ্টর অমসুং হোম মিনিষ্টর ওইরিঙৈদা কাংলুপ নাইবা অচৌবা ইরাং থোক্তুনা মরাল লৈজদ্রবা মীওই কয়া শিহনখি। হৌখিবা কুমজা ২০০২ দা থোকখিবা গুজরাট রাইওটকী থৌদোক ঙসিসু লৈবাক অসিগী মীয়াম্না কাওদ্রি। অমরোমদা, নুপীবু অৱাংবা থাক্তা ইকায় খুম্নবা উৎকন্দবনি হায়না মচিনদা লাউরবসু মদুগী ওন্ন তৈনবদা হৌজিক লৈরিবা লৈঙাক অসিনা থবক তৌরি হায়রি।

# অনীশুবা ফেজকী মীখলদা বি জে পিনা চাওনা মায় পাকপা ঙমগনি ঃ বুথ ৱার্কর

অহমদবাদ, দিসেম্বর ০৪ (এজেন্সী) :
হয়েং অনীশুবা ফেজগী ওইনা পাঙথোক্কদৌরিবা গুজরাট এসেমব্লি ইলেক্সনদা হান্নদগী হেন্না বি জে পিনা মায় পাকপা ঙমগনি হায়না পার্টি অসিগী বুথ ৱার্করশিংনা ফোঙদোক্নরকখিবগা লোয়ননা ইলেক্টোরেল লিষ্টতা য়াওরিবা মীওই অয়াম্বা বি জে পিগী মী ঙাক্তনি হায়রি।



অনীশুবা ফেজগী ওইনা সিট ৯৩ দা অপুনবা কেন্দিদেট ৮৩৩ না লম্বা তৌনগদৌরিবা অসিগা মরী লৈননা মরুওইবা পার্টি অহুম রুলিংদা লৈরিবা বি জে পি, ওপোজিসনদা লৈরিবা কোংগ্রেস অমসুং আম আদমি পার্টিগী বুথ ৱার্করশিংনা মখোয়গী ভোটর মশিং য়ামখৎহন্নবা অকনবা মওংদা হোৎনরি। অদুম ওইনমক বি জে পিগী ৱার্করশিংনা মশিং হেনবনা মরম ওইরগা ইলেক্সন অসিদা পার্টি অসিনা অমুক হন্না মায় পাক্নবা য়াই হায়না থাজনরি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা জয়েস ভাই কৌবা মশাগী চহী ৬৫ রোম শুরবা বি জে পি ৱার্কর অমনা ফোঙদোকখিবদা গুজরাটকী দানিলিন্দা খক্তদা বি জে পিগী বুথ ৱার্কর লিশিং ১৪ লৈ। বুথ ৱার্কর লিশিং ১৪ অসিগী মরুওইবা থবক্তি য়ুমথোং খুদিংদা চৎতুনা বি জে পিগীদমক ভোট খোম্বনি। ইলেক্সন নুমিৎতা বি জে পিগী ওফিসশিংদা মীওই কয়া তিনবা উগনি। অদুগা কোংগ্রেসকী ওফিস মপাদনা ইহাঙ হাঙনা লৈবা ষ্টেট অসিগী মীয়াম্না উবা ফংলগনি হায়রি।

অমরোমদা, কোংগ্রেসনা মখোয়গী থৌমী লিশিং ২ রোমনা য়ুমথোং য়ুমথোংদা চঙদুনা ভোট খোম্বগী থবক অকনবা মওংদা চথরি। বি জে পিনা মখোয়গী ৱার্কর লাখ কয়া লৈ হায়না ফোঙদোক্লিবা অসি মীয়ামদা নমথাক তৌরিবনি। মায়থিবা য়াবগী ফীভমদা লাক্লবনিনা মীয়ামদা নমথাক তৌদুনা মখোয়দা ভোট পীহন্নবগীদমক ওইদবা ৱাফমশিং ফোঙদোকপা হৌরক্লিবনি। অমরোমদনা এ এ পিগী অপিকপা ওফিস অমদা বুথ ৱার্কর কয়া পুনশিন্দুনা কেজ্রিৱাল মোদেল ওফ গভর্ণান্সকী মতাংদা ভোটর কয়াদা পাউদম্বদা মথৌ চিনজরি। গুজরাটতা লৈরিবা মীয়াম্না এ এ পিদা থাজবা থম্বগী চাং হেনগৎলক্লি হায়রি।

## মধ্য প্রদেশতা ট্রকনা তকপদগী মীওই ৬ শিরে, ১০ শোকখ্রে

রাটলাম, দিসেম্বর ০৪ (এজেন্সী) :
মধ্য প্রদেশকী রাটলাম দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচন্না লৈবা মী য়াম্না চিনবা বস ষ্টোপ অমদা খোঙজেল য়াঙনা থৌরকখিবা ট্রক অমনা মফমদুদা লেপ্পল্লিবা মীয়ামশিং তকখায়বগী থৌদোক্তা মীওই ৬ শিখিবগা লোয়ননা ১০ না অশোক অপন নঙখ্রে হায়রি।

থৌদোক অসিগা মরী লৈননা রাটলাম দিষ্ট্রিক্টকী সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস অবিসেখ টিৱারিনা ফোঙদোকখিবদা থৌদোক অসি ঙসি নুমিদাংৱাইরম রাটলাম - লেভাদ রোদতা লৈবা সতুন্দ্র ভিলেজ মনাক্তা থোকখিবনি। হায়রিবা মফম অসি রাটলাম দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বার্টরদগী কিলোমিটর ৩০ রোম চৎলগা লৈবা মফমনি। ট্রকনা তকপদগী শোক্লবা মীওই ১০ অদুগী মনুংদা ৮ গী ফীভমদি লুনা লৈরি। থৌদোক অদুদা চেন্নরিবা ট্রক পুলিসনা ফাজিনখ্রে। অদুম ওইনমক ট্রক অদুবু থৌরকখিবা দ্রাইভর থৌদোক থোকফমদগী নাম্থোক্তুনা চেনখিবদগী থিবা ফংদনা লৈরি। অথুবা মতমদা দ্রাইভর অদু ফানবগীদমক পুলিসকী মায়কৈদগী অকনবা মওংদা হোৎনরি। ট্রক অদুনা পুন্না মীওই ২০ লোম চেন্দুনা পুখিবনি হায়রি। অমরোমদা, থৌদোক অদুবু হকথেংননা উহৌখিবা মীওইশিংনা ফোঙাদোরকখিবগী মতুংইন্না ট্রক দ্রাইভর অদু হিদাক কা হেন্না ঙাওবা মাল্লি। থৌদোক অদু থোকখ্রবা মতুং দ্রাইভর অদু য়াম্না থুনা থৌদোক থোকফমদগী চেনখিবনি হায়রি।

## এগজাম থাবা য়ারোই হায়না কিহনবদগী মহৈরোয় অমা মতোমতা শিজখ্রে

ফিরোজবাদ, দিসেম্বর ০৪ (এজেন্সী) :
উট্টর প্রদেশকী মেদিকেল কোলেজদা মহৈ তম্লিবা মশাগী চহী ২১ রোম শুরবা মহৈরোয় অমা মেদিকেল কোলেজ অদুগী ওথোরিটিনা এগজাম থাহল্লোই হায়না কিহনখ্রবা মতুং মহৈরোয় অমা মশা মতোমতা শিজখ্রে হায়রি।




থৌদোক অসিগা মরী লৈননা লৈখিদ্রবা মহৈরোয় সাইলেন্দ্র সনখ্বারগী অপোকপা উদয় সিংহ সনখ্বারনা পুলিসতা কমপ্লেন তৌরকখ্রবা মতুং পুলিসনা থৌদোক অসিগী মতাংদা কেস অমা রেজিষ্টর তৌখিবগা লোয়ননা কোলোজ অসিগী প্রিন্সিপাল য়াওনা মীওই ৫ বুক তৌখ্রে।

দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেট রবি রঞ্জননা ফোঙদোকখিবদা থৌদোক অসিগী মতাংদা থিজিন্নবগীদমক কম্মিটি অমা শেমখ্রে। অথুবা মতমদা থৌদোক অসিগী মতাংদা অচুম্বা লংলা লংজিন পুথোক্তুনা চেন্নরিবা মীওইশিংগী মথক্তা লোগী ওইবা এক্সনশিং লৌখৎনবসু মরী লৈনবা পুলিস দিপার্টমেন্টদা খঙহনখ্রে হায়রি। লৈখিদ্রবা সাইলেন্দ্র থাংজ নুমিৎতা পাঙথোকপা এগজাম অমা য়াওবা লাকখিদ্রবা মতুং কোলেজ ষ্টাফ অমনা হোষ্টেলদা চৎতুনা য়েংলুবা মতমদা শিদুনা লৈরমখিবনি হায়রি।

## সাউথ কোরিয়ন য়ুট্যুবর মোলেষ্ট তৌবদা চেন্নবা মীওই ফারে

মুম্বাই, দিসেম্বর ০৪ (এজেন্সী) :
চয়োল অসিগী অঙনবা শরুকতা মুম্বাইগী মী য়াম্না চিনবা মফম অমদা বাইক তোঙদুনা লাকখিবা মীওই অনীনা সাউথ কোরিয়ন য়ুট্যুবর হোজিয়োং পাকতা মখুৎ শাঙলুবগী ভিদিও অমা ভাইরেল ওইরকখ্রবা মতুং থৌদোক অদুদা চেন্নরিবা মীওই পুলিসনা ফাখ্রে।

অমরোমদা, য়ুট্যুবর হোজিয়োং পাকনা ঙসি মুম্বাইগী ধোবি ঘাটতা অঙাংশিংগা ক্রিকেট শান্নমিন্নবগী ফোটো অমা থাগৎলকপগা লোয়ননা মঙোন্দা মোলেষ্ট তৌনবা হোৎনরকপা মতমদা অতোপ্পা মীওই অনীনা লাক্তুনা মহাকপু কনবীখিবদগীদমক থাগৎপা ফোঙদোরক্লি। মহাক্না ফোঙদোকখিবদা পুকচেল চাওরবা মীওই অনী অদিত্য অমসুং অথরভানা ঐবু লম্বীদগী কনবীরকখিবনি। পুকচেল চাওরবা নুপা অনী অসিগা ঐগা পুন্না চাক্লেন অমা চামিন্নরে। তশেংনমক ইন্দিয়া টুরিষ্টশিংগী ওইনদি খ্বাইদগী হেন্না নুংঙাইবা মফম অমা ওইগনি। মরমদি লৈবাক অসিদা ফত্তবা থবক তৌবশিংদগী কনবিনবা মীওই মশিংনা হেন্না য়াম্না লৈ। পুলিসনা ফাখ্রবা মীওই অনী অদুসু মহাকপু অতম্ননা মাঙহল্লগে হায়দুনা হোৎনখিবদি মান্দে। শক চুতোঙানবনা মরম ওইরগা মখোয়গী ৱাখল্লোনদা করেম্নবা উৎনিংবগী মওং মাল্লি হায়রি। পনবা য়াবদি পুলিসনা ফাখ্রবা মীওই অনী অদুদি মোভিন চান্দ (১৯) অমসুং এম দি নকিপ (২০) নি হায়রি।

## কোভিদ-১৯ গী অনৌবা কেস ২৬৪ থেংনখি

ন্যু দেল্লি, দিসেম্বর ০৪ (এজেন্সী) :
লৈবাক অসিদা হৌখিবা পুং ২৪ দা কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎকী অনৌবা কেস ২৬৪ থেংনখিবগা লোয়ননা হায়রিবা মতম অসিদা লায়চৎ অসিনা মরম ওইরগা মীওই ১ শিহনখি হায়না য়ুনিয়ন হেল্থ মিনিষ্ট্রিগী রিপোর্ট অমনা হায়রি।

রিপোর্ট অসিগী মতুংইন্না ঙসি থেংনখিবা কেস মশিং ২৬৪ থারগা হৌজিক ফাওবগীওইনা লায়না লায়চৎ অসিনা লৈবাক অসিদা শোকহনখিবা অপুনবা মী মশিং ৪,৪৬,৭৪,৪৫৯ শুখ্রে। অদুম ওইনমক এক্টিব কেস মশিংদি ৫৫৯৬ দা হন্থরকখ্রে। অদুগা ঙসি লাইচৎ অসিনা শিহনখিবা মী মশিং ১ থারগা হৌজিক ফাওবগী ওইনা লৈবাক অসিদা কোভিদ-১৯ না শিহনখিবা মী মশিং ৫,৩০,৬২৮ শুখ্রে হায়রি। লৈবাক অসিদা কোভিদ-১৯ রিকোভরি রেটনা চাদা ৯৮.৮০ লৈরি। অদুগা এক্টিভ কেসকি চাংনা চাদা ০.০১ ওইরি। ইন্দিয়াদা কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎ অসিনা শোকহনখিবা মী মশিং হৌখিবা কুমজা ২০২০ গী ওগষ্ট ৭ ফাওবদা লাখ ২০ হেনখি। ওগষ্ট ২৩ দা লাখ ৩০ য়ৌখি। অদুগা সেপ্তেম্বর ৫ লাখ ৪০ য়ৌখিবগা লোয়ননা থা অসিগী ১৬ তা লাখ ৫০ হেনখি। কুমজা ২০২০ দা লৈবাক অসিদা কোভিদনা খ্বাইদগী হেন্না চৈথেং পীখি। চহী অসিগী ওক্টোবর থা লোয়রকপা ফাওবদা কোভিদ-১৯ না শোকহনবা মী মশিং লাখ ৯০ হেনখি। কুমজা ২০২০ দা লৈবাক অসিদা কোভিদনা খ্বাইদগী হেন্না চৈথেং পীখি। চহী অসিগী ওক্টোবর থা লোয়রকপা ফাওবদা কোভিদ-১৯ না শোকহনবা মী মশিং লাখ ৯০ হেনখি। মমাং চহীগী দিসেম্বর ১৯ ফাওবদা মীওই ক্রোর অমা হেন্না লায়চৎ অসিনা শোকহনখিবনি হায়রি।

## ভারত জোরো যাত্রাগী খোঙচৎ মায় পাকহন্নবা অহেনবা মিৎয়েং থল্লিঃ সচিন পাইলোট

ন্যু দেল্লি, দিসেম্বর ০৪ (এজেন্সী) :
অমত্তা ওইবা ইন্দিয়াগী ৱাখল্লোনদা কোংগ্রেসকী হান্নগী প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধীনা লুচিংদুনা চৎলিবা ভারত জোরো যাত্রাগী খোঙচৎ হয়েংদগী রাজস্থান লানশিল্লক্লগনি হায়না কোংগ্রেস লুচিংবা সচিন পাইলোটনা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা রাজস্থান ফাওদুনা চৎখিবা ভারত জোরো যাত্রাগী ফোঙচৎ অসি হেন্না মায় পাকহন্নবা অহেনবা মিৎয়েং থল্লি হায়না ফোঙদোরক্লি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা সচিন পাইলোটনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা রাজস্থাননগী চীফ মিনিষ্টর অসোক গেলোট অমদি মহাক্না বি জে পিনা চাংদম্নরগা ৱাফম কয়া ফোঙদোকখিবা অদু লাইবক থিবনি। চৎলিবা খোঙচৎ অসিদা য়ৈখায় থিনগায়বা কয়া থোকহন্নবগীদমক বি জে পিনা হোৎনদুনা লাক্লি। অদুম ওইনমক কোংগ্রেস লুচিংবা রাহুল গান্ধীনা চৎলিবা ভারত জোরো যাত্রাগী খোঙচৎ বি জে পিগী থৌইনশিননা কৈদৌঙৈদা মায়থিবা পীবা ঙল্লোই। পার্টি অমা লৈরবদি পার্টি মেম্বরশিংগী মরক্তা হেক হেক নুংঙাইনদবগী থৌদোকশিং থোকপা হায়বসিদি মহৌশানি। মসিদা বি জে পিনা কোংগ্রেস মচেৎ তানা কায়বগী ৱাফম কয়া ফোঙদোরক্লিবা অসি নোক্লিংবা ফাওই। মসিনা তাকপদি মখোয় অকিবা ফাওরে হায়বনি।

## কোংগ্রেস লৈখা তারে...

*লামায় ১গী মখা...*অঙম্বা থাক্তা মেনখৎনবা হোৎনরি। অহানবা ওইনা এ সী অসিগী ফীভম শোক্লবা লম্বীশিং চৎলিবা থা অসিগী মনুংদা অয়াম্বনা শেম্বা লোইননবা থবক পায়খৎলি। ইন্দিয়া অমদি মণিপুরদা বি জে পি লৈঙাক লাকপদগী পুরক্লিবা ঙসিগী চাওখৎ লম্বীরোমদা অহোংবা কয়া অসি মীয়াম্না লোইনা উনরবনি। বি জে পিগী দবল ইঞ্জিনগী লৈঙাক অসিবু থাজদুনা কোংগ্রেসতগী মীওই কয়ানা বি জে পিদা নৌনা য়াওরকপা অসিনা কোংগ্রেস অসি ইন্দিয়াদগী লৈখা তারে হায়বা অদুসু ময়েক শেংলে। ৱাবগাই এ সীদা লৈরিবা ঐখোয় খুদিংমক কাঙলূপকী অমদি লাইনীংগী খেন্নবা থাদোক্নদুনা পূন্না খূৎশম্নুনা চৎমিন্নদুনা চাওখৎপা ৱাবগাই এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি অমা ওইহন্নবা হোৎনমিন্নরসি হায়খি।

## মরাল লৈবশিং ফাবীয়ু...

*লামায় ১গী মখা...* ফোঙদোকখিবদা মমাঙ থাগী ৩০ অমদি থা অসিগী ১গী লোন্নবা অহিংদা লিম্থোই শিখিবা মীশি য়াম্না চিংননীংঙাই ওই। মরম অসিনা ককচীং পুলিসতা অইবা ৱাকৎ চেরোল পীশিন্দুনা মরাল লৈবশিং ফাবীয়ু হায়দুনা তকশিন্দুনা লাক্লি। অদুবু ঙসি ফাওবদা লংলা লংজিল অমত্তা পুথোক্তবা অমদি ফাবীদবসি য়াম্না লাইবক থীবনি। থা অসিগী ৭ ফাওবগী মনুংদা মীশি অসিদা চেন্নবশিং ফাবিদ্রবদি সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসন অমদি নুপী লূপশিংগা খূৎশম্নদুনা অকনবা মখল কয়াগী খোঙজংশিং চঙশিল্লগনি হায়রি।

ৱাকৎ মীফম অদু লোইরবা মতুং শরুক য়াখিবা নুপী ৩০/৪০ রোম্না ককচীং পুলিস ষ্টেসন তম্না লাক্তুনা মীশি অসিগী চিংনবা কয়া লৈ। মরাল লৈবশিং ঙসি ফাওবা ফাগৎত্রিবা করিগীনো হংখি। থোমজিল্লকখিবা নুপীশিং অদুবু পুলিসনা থৎলগা জে এ সীগী মীহুৎশিং অমদি খাঙবোক এ সীদা বি জে পিগী মীরেপ ওইখিবা কে ঐচ মেঞ্জোর য়াওনা পুলিসকী মকোক থোংবশিংগা ৱারী শানখি। মদুদা জে এ সীগী মায়কৈদগী থল্লকপা ৱাফমশিং অদুগী মতুংইন্না পুলিসনসু লৌখৎপা য়াবা থবকশিং লৌখৎনবা হোৎনগনি হায়না থাজবা পীবদগী মীয়াম অদু হন্দোকখি হায়রি।

## কৌব্রুদা ইমা ইমোইনু খুরুম্নবা...

*লামায় ১গী মখা...* মীফমশিং পাঙথোকখ্রবা মতুংদা ঙসিসু ইমা পাম্থোইবী (নাপৎ অৱাং লৈকায়), ইমা ৱাথলেম্বী (নাপৎ মখা লৈকায়), নোংপোক নিংথৌ পাম্থোইবী (লাইঙৌবী), ইবুধৌ ৱাংব্রেন (ৱাঙু শন্দংখোং), নোংপোক নিংথৌ পাম্থোইবী (খোইজুমান তবী) অমসুং ইমা তম্ফা লাইরেম্বী (ৱাঙু) নচিংবা লাইবুংশিংগী মরু ওইবা মীহুৎশিংগা ফম্মিন্নদুনা হীরম কয়াদা কুপ্পা খন্ন নৈনখি হায়রি।

মসিদা লাইবুং কাবগী থৌরম লেপ্তুনা অমসুং মপূং ফানা পাঙথোক্নবা হোৎনবা হায়না অমত্তা ওইনা য়ান্নখি। অমরোমদা লাইবুংশিং অসিগী মীহুৎশিংনা মাগী মাগী লাইবুংনা কোল্লিবা লৈকায় নৎত্রগা খুলদগী মীওই ৫০/৫০না হন্দক্কী কৌব্রু চীংদোলদা পাঙথোক্কদৌরিবা ইমা ইমোইনু খুরুম্বগী থৌরমদা শোয়দনা শরুক য়াবা হায়নসু লেপ্পখ্রে হায়রি। থৌরম অসিদা লাইবুংশিংনা কোল্লিবা খুল-লৈকায় খুদিংমক্তগী মীওই ৫০/৫০না শরুক য়াহনবীয়ু হায়রি।

## লূপশিংনা খোঙজংশিং চঙশিল্লকপদা...

*লামায় ১গী মখা...* য়ৈবা-খোংবা লোইনা লেপখিবদগী আর্টিষ্টশিংগী ইমুং মনুং পুবা অমদি মচা মশু য়োক-থাক্লবা হোৎনবদা হা-কা লাওনখিবা অদু নীংশিংবীয়ু হায়খি।

লোয়ননা আর্টিষ্টশিংনা অসিগুম্বা কম্পিটিসন অসি পাঙথোক্লগা মখোয়গী টেলেন্ট উৎলবা মতমদা অচৌবা প্লেটফোর্ম ফংগদৌরিবনি। অনৌবা শৌকপশিংবু ম্যুজিক্সিয়নশিংনা পুথোকপীগদবনি। ম্যুজিক্সিয়নশিংনা হায়বা তাদবা শৈশকপশিং মমিং চৎকন্দে হায়খি।

মণিপুরদা ফিল্ম নল্লিবশিংগী মতাংদা পল্লদুনা কনাগুম্বা মীওই অমনা হোল অমা শাবা মতমদা মদুদগী লাকপা শেল খন্দুনা পাদুনা লৈখ্রবনি। হোল চলাইবদা শেল লাক্ত্রগাদি হোল শানীংলোই। শেল লাক্লবা ফিল্ম কাপ্পদা য়েংবীনবা মীয়াম অমুক লাক্ত্রবদি কনানা মখোয়দা শেল পীবীগনি। ফিল্ম নম্বদা মাঙবনা হেনজিল্লক্লবদি নমনিংলক্তবা তাবনি। মরম অসিনা ফিল্ম নম্বগী চাং অসি হৌজিক খরা হন্থরকপনা ঈশৈ তৌরিবশিংদসু ফিল্মগী ঈশৈ শক্ত্রবনিনা অৱাবা কয়া মায়োক্নরকপনি। মরম অসিনা ঈশৈ তৌরিবশিং, য়ৈবা, খোংবা তৌরিবশিং ঐখোয়না য়োকখৎপা মথৌ তাই। মসিগীদমক লৈঙাক্নসু মখোয়বু য়োকখৎনবা খন্নদবা নত্তে। মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা লূপশিংনা খোঙজং অমা চঙশিনবদা মখোয়দা অপনবা অয়েৎপা পীবিগনু হায়নসু মিনিষ্টরনা আপীল তৌখি।

ঙসিগী গ্রান্দ ফিনালিদা ঙাইরাংবম মখা লৈকায়দগী মঙ্গিরাজ নোংথোম্বমনা অহানবা পোজিসন, ৱাংখৈ খুনৌদগী লিংজেল অশাংবমনা অনীশুবা পোজিসন, নাচৌ ময়ায়দগী হিদংময়ূম ওমিতা অমদি ককচীং চুম্নাং লৈকায়দগী ময়াংলম্বম রোবর্টনা অহুমশুবা পোজিসন তাখি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা অটরেককী প্রসিদেন্ট সোবিতা সৌবাম, এ আই আর ইম্ফালগী হান্নগী এনাউন্সর কে কে ৱাহেংবম অমদি বোবি মঙাংনচিংবসু থৌরম মপু, অখন্নবা লেঙবীরকপশিং ওইনা শরুক য়াখি।

## লোক্তাক দে-২০২২ শিনখিবা ...

*লামায় ১গী মখা...* পীরকফম থোকপা শেলগী মনাশিংগী মতাংদা মরী মখোঙ অমত্তা খঙখিদে। শিল্লিবা কাঙবুগা পাউ ফাওননবা পীরকখিবা মোবাইল ফোনগী নম্বরশিংদসু পাউ ফাওনবা ফংখিদবদা নত্তনা এম ৯৪গী মেনেজিং দিরেক্টর সিবানন্দ লোৎখ্রে হায়বগী পাউ ওর্গনাইজিং টিমদগী লাকখি হায়রি। মরম অসিনা লায়রবা ষ্টেটসিদা আর্টিষ্ট ওইরুবা হায়বসি অৱাবা অমা ওইরে। কম্পিটিসন অদুগী মনুংদা পেন্টিংগী ওইনা অহানবা ৱিন্নর ওইখিবা ক্লাস সিক্সতমক তম্লিবা মহৈরোয় অদুদা নত্তনা কম্পিটিসন অসিবু য়াওনবা হোৎনবদা অৱাবা কয়া থেংনখিবা নহা ওইরিবা আর্টিষ্টশিং য়াওখি। অদুবু থৌদোক অসি থোরকপদগীদি অমুক হন্না টুরি পায়দুনা লাই য়েক্লরোই হায়বা ফাওবগী ফিরেপ লৌরকপা য়াওরে হায়না নুংঙাইতবা ফোঙদোকখি।

লোক্তাক পাৎ হায়বসি মণিপুরগী লননি। পাৎ অসিবু নুংশিদবা মীওই কনাসু লৈতে। অদুবু নুংশিবা অদুগীদমক্তদি মমল লৌনিংদে, কথোকপা ফাওবা য়াই। অদুম ওইনমক লমদম অসিগী ফৎত্রবা চৎনবী অমা ওইনা অসিগুম্বা উৎ পাৎ তৌবগী থৌওং অসিদি মখা তানা থোক্তনবা মীয়ামদা ফোঙদোকপনি হায়খি। মরম অসিনা অথুবা মতমদা মরী লৈনবশিংনা শগোলবন্দ বিজয় গোবিন্দ কেলি মখোঙদগী হৈস্নাম মঙ্গিজাওগী মচানুপা অদুগা লোক্তাক দে থৌরম শিনখিবা কাঙবুগী মেনেজিং দিরেক্টর হৈস্নাম সিবানন্দ এলিয়জ জেক্সনবু থিদুনা পাড়া অমা তন্বীয়ু অমদি ৱিন্নরশিংগী পীথোক্তনা লৈরিবা দমি চ্যেকতা য়াওবা শেলগী মনাশিং পীথোক্লবা হোৎনহনবীয়ু হায়খি।

পাউগী মীফম অসিদা শরুক য়াখিবা এম ৯৪না আউটসোর্স তৌদুনা শীজিন্নখিবা খাঙেম্বম টেলিসনা ফোঙদোকখিবদা ফেষ্টিবেল অদু পাঙথোক্ত্রিঙৈ থা ৪/৫ রোমগী মমাঙদা মহাক অমদি মীওই ৪/৫ রোমবু ফেষ্টিবেল অসিগীদমক আউটসোর্স তৌদুনা ফিজিকেল্লি অমসুং মেন্টেল্লি মতেং পাংহন্দুনা লাকখিবনি। অদুবু মখোয়দা পীফম থোকপা শেনফম অমত্তা এম ৯৪গী মায়কৈদগী পীদবদা নত্তনা পাউ ফাওবা অমত্তা ফাওনবা ফংদ্রে হায়খি।

ফেষ্টিবেলগী মনুং চন্না পাঙথোকখিবা কম্পিটিসনশিংগী ৱিন্নরশিংনসু মখোয়দা থৌরম শিনখিবা কাঙবুনি হায়দুনা মরাল শীবদা নত্তনা ফংফম থোকপা এৱার্দকী শেনফম পীয়ু হায়দুনা থৌরকপা য়াওরে হায়খি।

অমরোমদা, সিবানন্দ হায়রিবা মীওই অসি টেলিফোনগী খূথাংদা পাউ ফাওনবা ফংদবনা মহাক্কী ময়ূমদা চৎলুরবসু ইমুং মনুংগী মীওইশিংনা ফজদবা ৱাহৈ-ৱাতা শীজিন্নদুনা আউটসোর্স তৌরকপদগী থবক পাঙথোকখিবা মখোয়দা থৌদাং পুগদবনি হায়বগী মওং উৎলক্লে হায়রি।

মরম অসিনা মরু ওইনা চেন্নরিবা মেনেজিং দিরেক্টর হৈস্নাম সিবানন্দ থিদোকপীয়ু অমদি কম্পিটিসনশিংদা শরুক য়াখিবা ভিক্টিম ওইরবা ৱিন্নরশিংগী খনবীয়ু হায়নসু আপীল তৌখি।

## লন্নাই মীওইনা মীয়ামগীদমক...

*লামায় ১গী মখা...* পান্দম থম্বনি অদুবু নোং চুখিবনা মরম ওইরদুনা মথং চহীগী ফেব্রুৱারীদা ওইনা হাংদোক্লগনি। অদুম ওইনমক হোস্পিটাল অসিগী ও পি দিগী খুদোংচাবদি মাঙজৌননা হৌখ্রবনি হায়খি।

অনা লায়েংগী লম্গীদমক চীফ মিনিষ্টরগী হেল্থ ফোর ওল স্কিম হৌদোক্তুনা থবক ওইনা ওন্থোরক্লে অমসুং মীয়াম্না চাং নাইনা হেল্থ চেক-অপশিং মখোয়গী য়ুম য়ুমদা তৌবা ফংহল্লে হায়খি। থবক অসিনা পীরিবা কান্নবশিংগী মনুংদা লায়না খরনা হকচাংদা অরুবা ফীভমদা নাহল্লক্ত্রিঙৈগী মমাঙদা হৌরকপদা মশক খঙদোকপা ঙমহল্লে। মরম অসিনা নারক্লবা মতুংদা লায়েংদুনা ফহনবদগীদি নারক্ত্রিঙৈদা নাহন্দবনা হেন্না ফৈ হায়বা ৱাফমসু চীফ মিনিষ্টরনা নৌহৌননা নীংশিংখি।

হোস্পিটালশিংগী ফীভম ফগৎহনবা খক্তনা হেল্থক্যের সিষ্টম ফগৎহনবা ঙল্লোই। মরম অসিনা মথৌ তাবা ম্যেন পাৱর লৈহনবগা লোয়ননা ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিংগী ফীভমসু ফগৎহনবা তঙাইফদে । ঐখোয় মশেলগী মরক্তা অমত্তা ওইমিন্নদুনা মতেং পীনরবদি লম্ অমদা হেক্তা ঐখোয়না মকোক থোংবা ঙমগনি। ঐখোয়দা মদুগী মতিক ময়াই অমসুং থৌনা চপ চানা লৈ হায়খি।

করিগুম্বা থবক অমা পায়খৎলকপদা পূক্নিংদা চপ য়ুংনা খনবা অমসুং থবক্তুদা মায়পুননা পাঙথোকপা হায়বসিনা মায় পাক্লবগী অশেংবা লম্বীনি অমসুং হোৎনবা য়াওদ্রগদি পম্থুং য়ৌবা ঙল্লোই। ঙসিদি মণিপুর অসি মীয়ামগী থৌজালদগী মাঙলোমদা চঙশিল্লক্লি হায়রদুনা মহাক্না ঙসি শঙ্গারিবা ৱাংখৈ আই হোস্পিটাল অসিনা মীয়ামদা কান্নবা পীবগা লোয়ননা পাংবা য়াবা মতেংশিংসু পাংগনি হায়বগী থাজবা পীখি। অদুগা হোস্পিটাল অসিমক পি এম জন অরোগ্যা যোজনা অমসুং চীফ মিনিষ্টরগী হকশেলগী তেংবাঙগীদমক এমপেনেল তৌরে হায়খি।

মীৎকী হোস্পিটাল অসি হাংদোকপগী থৌরমদা স্পিকর টি ঐচ সৈত্যব্রত, হেল্থ মিনিষ্টর ডা. এস রঞ্জন, এম এল এ, টি ঐচ অরুনকুমার, গুৱাহাটিগী শ্রীসঙ্কর দেব নেথ্রালয়াগী প্রসিদেন্ট অমসুং ত্রষ্টি ডা. হরশা ভট্টচার্জি অমসুং হোস্পিটাল অসিগী দিরেক্টর ডা. সরুংবম বোবিসু শরুক য়াখি।

## সঙ্কীর্ত্তনগী অশেংবা মশক...

*লামায় ১গী মখা...* মসিনা সঙ্কীর্ত্তনবু মপূং ফাহন্দে হায়খি।

শেল থাবা চঙবদসু চঙলিবশিং অদুনা চৎন-কাঙলোন ঙাক্তবগী মওংদা শেল থাবা মাল্লে। সঙ্কীর্ত্তন তৌবিরিবশিংনা সঙ্কীর্ত্তন অমগী লেপফম থোকপা অকক্লবা মীশিং অমসুং পুঙ য়ৈবদসু শুনা লেপহনবীগদবনি। অফবা তানখৎলকপদা তৌনীং তৌনীংবা মওংদা তৌবদৌনা উরে। অদুম ওইনমক লান্ন-থৌরমগুম্বদদি তঙাইফদনা সঙ্কীর্ত্তনগী মশক ঙাকপগুম্না তৌরি। মরম অসিনা অওনবা লাক্লিবা কয়াসি অফবা মায়কৈরোমদা চৎলিব্রা নৎত্রগা ফত্তবা রোমদা চৎলিব্রা হায়বসি নৈনবা চুম্লে। সঙ্কীর্ত্তন হায়বসি য়ুনেস্কোনা কুমজা ২০১৩গী দিসেম্বর ৪দা রিকগনিসন পীরে হায়দুনা লাউথোকখিবনি হায়খি।

চহীদুগী মতুং মমাঙগী কুমজা ২০২১দগী মণিপুর লৈঙাক্না সঙ্কীর্ত্তনবু তুং কোয়না অমসুং মাঙদনা লৈহৌনবগীদমক্তা সঙ্কীর্ত্তন নুমিৎ পাঙথোরকপা ঙসিগী অসিগা অনীরক শুবনি। নুপীশিংনা শকপদসু পুঙ য়ৈবা অমা অমসুং নুপী অহুমনা সঙ্কীর্ত্তন শকপা য়াওনরক্লে। অদুগা শেল থাবদসু বাসোক্তা শেল থাবগুম্বগী মওংদা তৌনীংবা তৌনরকপগী মওং লৈরক্লিবা অসি তোক্লগা সঙ্কীর্ত্তনগী ফজবা অশেংবা মশক অদু খঙহন্নবা হোৎনসি হায়খি।

ঙসিগী অনীরকশুবা সঙ্কীর্ত্তন নুমিৎকী থৌরমদা শক্লাইরবা সঙ্কীর্ত্তন গুরু এল লাকপতিনা অথোইবা মীথুংলেন ওইখি অদুগা আর্ট এন্দ কলচর লোয়শঙগী দিরেক্টর এল কিশোরজিৎ, দেপ্যুটি দিরেক্টর জি ধর্ম্মদাস অমসুং জে এন মণিপুর দান্স একাদেমিগী দিরেক্টর ইন চার্জ পি বিলাসসু শরুক য়াখি।

থৌরমগী মনুং চন্না সঙ্গিট নাটক একাদেমিগী চোলোমদা অমৃট এৱার্দ-২০২২ ফংখিবা মশাগী চহী ১০০ শুরবা য়ূম্নাম যাত্রা, পুঙদা সঙ্গিটনাটক একাদেমি এৱার্দ ফংলবা নিঙোম্বম ইরাবোত অমসুং সঙ্কীর্ত্তন শৈশকপদা ষ্টেট কলা একাদেমি এৱার্দ ফংলবা সেঞ্জম কামেশ্বরবুসু থৌরমগা মরী লৈননা তরাম্না ওকপগা লোয়ননা শেলগী মনা অমসুং লেংয়ান ফি খুদোল তমদুনা ইকায়খুম্নবা উৎখি।